

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯳꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুলাই ৩১, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১২৭ শুবা মশীং

য়ু থকপদা মী শিবা

কমদৌনা হু চেনবা য়ু ওইরকখিবনো হায়বা থিজিনসি

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ময়াম অমা শিখিবগী পাউ লৈবাক শিনবা থুংনা তানবা লৈখ্রে। হু চেনবা য়ু য়োল্লম্বগীদমক খুদক্তা য়োল্লল্লিবা মীওই অদু ফাদুনা লোগী ওইবা অকনবা থবক লৌখৎখিবগী পাউশিংসু তানরি। অতৈ ষ্টেট খরদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মী শিবগী পাউ তারগা করিগী মণিপুরদসু মী শিরোইদৌরিবনো হায়বসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীয়াম্না ৱাহং ওইনা হংনদুনা লাকখিবনি। দ্রাই ষ্টেট ওইরবা মণিপুরদা কমদৌনা ফোংনা য়ু য়োলহল্লিবা অমসুং মীয়াম্না মদুবু থক্লুরগা মী শি হায়বগী পাউ অসি কনাগুম্বা খরনদি তনিং-তমাঙ ওন্নবদৌনা তাগনি। চাউরাক্লা কুমজা ১৯৯১ অদুৱাইদগী হৌনা মণিপুরদা য়ু য়োনবা নৎত্রগা শুংবগী অথিংবা লৈরকখি। অদুবু লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্ননবগীদমক খুল খরদদি তঙাইফদবা ওইনা খরখক শুংবগী অয়াবদি পীখিবগুম তৌই। লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবগী মিংদা ষ্টেট অসিগী মফম কয়ামরুমদা য়ু থোংগৎনরকই। খুলশিং অসিদগী চাইথোরকপা য়ুঙৌনা লৈকায়-লৈকায় খূদিংদা য়ৌশিল্লকই অমসুং য়ু য়োনফম হাংদোক্লরকই। ঙাঙন-শক্লবা য়াদবা, মমায় খরা কনবা মীওই কয়ানা লৈকায়-লৈকায়দা য়ু য়োল্লি। লৈকায় খরদদি মখোয়গী থৌওং অসি য়ারিবমখৈ থিংননবা হোৎনবসু য়াওই। অদুগা লৈকায় খরদদি ওনশিন্নবা তনবদগী মনিং তমহনবসু য়াওই। অদুবু য়ু থিংননবা নৎত্রগা ময়াই কাবা চীঙাকশিং শুংবা নৎত্রগা চাবা থিংনবা লিংখৎখিবা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙমখিদবদগী ঙসিদি লৈকায়-লৈকায়দা য়ু য়োনবগী ৱাথোক অসি হেনগৎলকখি। এক্সাইজনা তৌগদবা থবক অয়াম্বা পুলিস পার্সনেলশিংনা চথুরে। অদুবু মতম-মতমগী লৈঙাক্কী য়াকা য়েংলগা পুলিস পার্সনেলশিং অদুনা য়ু য়োনফমদগী অরোনবা টেক্স খোম্বরোমদা থবক তৌরকপদগী হৌজিক্তি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা ফাওবা য়ু য়োনফম হাংদুনা লৈনরিবসিনি। মসি থিংগে হায়বা তারবদি লৈঙাক্কী চপ চাবা ফীরেপ অমা লৌরগা পুলিস পার্সনেলশিংদা অকনবা থৌদা পীবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈগনি হায়না নিংদে।

য়ু থোংবা নৎত্রগা য়ু শুংবা হায়বসি মণিপুরদদি ট্রেদিস্নেল অমসুং ওর্গানিক ওইবা মওংদা শুংলগা পুথোকপনিনা শাংলবা মতম অসি হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মী শি হায়বা তারকখিদবনি। টেদিস্নেল ওইবা মখলগী য়ু থোংবগী মওং অসি য়াম্না চমই অমসুং অতৈ পোৎয়ান য়াওদে। য়ু শুংবদা চঙলিবা মচাক অসি চমাং, হামৈখক্তনি। হামৈ হায়বসি য়াংলি হায়না খঙনবা মখলগী উ পাম্বীগী মকুনি। অসিগুম্বা মখলগী উ পাম্বী অসি মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা মরাং কায়না হৌই। চেঙ অশুবগা য়াংলিগা শুগাইদুনা তাঙ্গোই-তাঙ্গোই শেম্বা পোৎশক অদুবু হামৈ হায়রগা খঙনৈ। চমাং হায়বসিনা ফৌ মিলদা তকপা নৎত্রগা ফৌ শুবদা অহানবা চোইদ্রিঙৈদা ফংবা চেঙ অদুবুনি। চেঙ অদু চাক ওইনা থোংলবা মতুংদা ঈশিংদা তিংলগা হামৈ য়ানশিল্লি। অসুম্না নুমিৎ হুম্নিরোম থম্লবা তুংদা মহী অদু নিংথিনা চিথোক্তুনা লৌরগা মৈথক্তা থাঙ্গৎতুনা লোল্লি। মদুদগী কারকপা মনিল অদু ঐখোয়না থক্লরিবা য়ু অসিনি। অসুম্না পোৎয়ান য়াওদ্রবা, ওর্গানিক ওইবা মখলগী য়ু অসিদা পোৎয়ান তৌশিনবদগী হু চেনবা য়ু ওইরকপনি হায়বা য়াই। খজিক্তং থকপদা ময়াই কাহন্নবা লল্লোনবা খরনা লোগী ৱাংমদা স্পিরিট য়ানশিনবা, য়ু থোংবগী প্রোসেস থুজিলহন্নবা য়ুরিয়া হাপচিনবা নৎত্রগা ময়াই কাবা টেব্লেটশিং য়ানশিল্লি। অসুম্না য়ানশিল্লবা পোৎয়ান শেল্লবা য়ু অদু থক্লুবা মীওইদুনা য়ু য়োল্লিবা মীওই অদুদগী লৌরগা থক্তুবদি ময়াই কাবা ঙল্লক্তে। অসুম্না লল্লোনবদুগী য়ুদু মীওই খরনা পাম্না থক্লরকই। শম্না হায়রবদা য়ু হু চেলহনবা হায়বসি কনাগুম্বা খরনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা নৎত্রগা মী মাঙহন্নবা শিল্লকপা খুজিল থৌরাং অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা ফংলিবা য়ুঙৌশিং অসি ট্রেনিস্নেল ওইবা মওংগীনি, ওর্গানিক্কি হায়রগসু লাইসেন্স পীরগা শুংবা মখলগী য়ু নত্তবা মরম্না করিগুম্বা খুজিন খুনাম্থোক্তগী হু চেনবা ওইরক্তুনা মী শিবা য়াওরক্লগদি মদুগী চৈরাক কনাদা পীগদগে হায়বা লেপথোকপা ৱাগনি। য়ু য়োনবা থিংগে হায়রগনা থিংবীরো, থিংলোই হায়রগনা করম্বা চাংদা পুথোকহনগে হায়বদুনা লৈঙাক্লা লেপ্পলগা লাইসেন্স পীরগা শুংহল্লো। মদু নত্তনা য়ু য়োনবসু, থকপসু, শুংবসু য়াদে হায়বগী লো লৈরগা চৎনহনবা ঙমদ্রগদি লো লৈরুবগী করি কান্নগনি। হৌজিক্তি মণিপুরদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীশি-মীনা য়াওরক্লবনিনা লৈঙাক্লসু, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু কমদৌনা হু চেনবা য়ু থিংগদগে হায়বা ৱাখল খন্থবা মতম য়ৌরে। হু চেনবা য়ু থক্লুরগা মী শিবগী পাউ অসি মখা চথুদনবা ঐখোয় খূদিংমক্লা মীৎয়েং চঙসি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

এসোসিএসন অমসুং এদেদ স্কুল

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর

মণিপুরদা লৈরিবা এদেদ স্কুল ৬০৫ চীং অমসুং তম অপূনবা অসি চহী ৩৮ মপূং ফাগদবা শুপ্নগী থা খরতা ঙাইরবনি। অসিগুম্বা এদেদ স্কুল পূম্নমক্কী অফ-ফত্তগী থৌদাং পুবিনবা স্কুল ৬০৫ অসিগী থৌবুরেনশিং (এসোসিএসন) অমা শেমদুনা মখোয়দা এদেদ পূম্নমক্কী দায়ত্ব খুদিং শিন্নরগা থল্লিবনি। অদুগী মতেং পাঙনবা জেদ ঈ ও খুদিংগী থৌবুরেনশিং মশা ওইনা শেমদুনা থল্লিবনি। এসোসিএসনগী মতেং অমদি মতম মতমগী ওপসন কয়া লৌবদা মদুগী মতেং স্কুল ৬০৫ গী ওজা ৬০০০ (সেকেন্দরি অমসুং ইলিমেন্টরি অনীমক্কী) হেনবনা মিৎ-না শিংনা লৈরিবনি। অসুম্না এসোসিএসন্না করি তৌসি হায়রক্কনি হায়বগী য়াকা য়েংদুনা লৈনবা ঙাক্তনি।

এসোসিএসনগী মথৌদি এদেদ স্কুলগী ওপসন লৈঙাক্তা থম্বা, সেঙ্কসন তান্নবিবা, য়ু সী থাবীবা, পোখাখিবা ওজাশিংগী পোষ্ট অহাংবা মেনশিনবদা মদুগী শিল লাংবা তৌবিবা অসিনচিংবা কয়া অসিনি। অদুবু ঙসি ঙসিমক্কী ওইনা য়েংবদা এসোসিএসন অসি মথৌ তৌদবা, তৌরবসু পেন্নীংঙাই ওইদবা মওং অমা উবা ফংই। খুদম ওইনা সেক্রেটরিয়েটনা দিরেক্টরদা এরিয়ার মচেৎ খরগী অশোন অনা কয়া পুখৎতুনা ফোটো কাপখিবদুগী ওলরেদি দ্রোন অমসুং টু বি দ্রোনগী ষ্টেটমেন্ট পীরক্লবা হায়রকখ্রে। অদুবু মদু মাগী মাগী জেদ ঈ ওদা অমুক য়ৌরক্লে। অদুদগী এসোসিএসনগী মখূৎ য়ৌখ্রবনি। মদু এসোসিএসনগী মথৌ নৎতবা মাল্লি এসোসিএসন্না ঙসি ফাওবা মচি লেংদনা লৈরিবা অসি।

মসিদা মখোয়না তূমদুনা লৈবগী মরম্না করিগীনো? অমনা মহৈরোয় ৩০ খুদিংগী ওজা অমমম ক্রিয়েসন তৌবগী ৱাফম কুমজা ২০১৬ কী অরোইবদা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মিনিষ্টরনা স্কুল খরদা লাউথোকপীখ্রে। মসিদা ফংখ্রিবা স্কুল খরা অদুগা মান্নবা স্কুল কয়া লৈহৌরিবনি। মসি এসোসিএসন্নদি ফজনা খঙফম থোকই। মহৈরোয় মরাং কায়না লৈরিবা স্কুল খরা চিংথরম্বা মরম চাদে। মহৈরোয় লৈতবা স্কুল কয়াগী ওজাশিং য়ুটিলাইজেসন তৌবিখ্রে।

মহৈরোয় লৈতবা স্কুলগী ৱাফমনা তোঙান্না থমখ্রগা মহৈরোয় লৈবগী ৱাফমগীদি এসোসিএসন্না করিগুম্বা মতম অমত্তা ফাওবা ফোঙদোকপীদবা মরম করিগীনো? এসোসিএসন্না মসিগী মরমদা স্কুলশিং অদুগী হোদ মাষ্টর নৎত্রগা সেক্রেটরিশিং কৌবীদুনা খন্নফম থোক্তবরা? অমুক্তা স্কুল খরা কনভরসন তৌবিখ্রে, খরা অমসু তৌননবা মনুংদা প্রোসেস তৌরি। মসিদা কনভর্সন তৌখিব্রা স্কুলশিং অদুগী মহৈরোয় অদুগা তৌদনা লৈহৌবা মহৈরোয়গী মশীংগা য়েংনবদা লৈহৌরিবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়না হন্থরল্লবা ৱা ঙাঙননীংঙাই লৈতে। অদুবু মহৈরোয় ফজনা লৈবা স্কুল কয়া চিংথরম্বা অসিগী ৱাফমদা এসোসিএসন্না মিৎয়েং চঙফম থোকই অমসুং মতম চানা পাউ পীফম থোকই। অসিগুম্বা চৎনবী অসি থিংনবা লৈবা এসোসিএসন নৎত্রা? মসিবু লন্নাই তোঙান তোঙান চেন্নজৌ হায়বা তারবদি এসোসিএসনগী কান্নবা অসিবু করিনো?

হৌজিক অনৌবা লৈঙাক লাক্লে। মসিদা এদেদকী ওপসন খরতা ওইরবসু লৌনবা এসোসিএসন্না মিটিং কৌবীদুনা খন্নদবা অসিনা করিগীনো? মসিবু চহী ৩৮ চুপ্পা লৈবগুম হৌজিকসু অসুম লৈসি হায়রিবরা। মসি য়াম্না এদেদ স্কুলশিংগী ওইনা লাইবক থিবনি। অতোপ্পা অমসু লৈরিবা কেস অমনা সেন্তরগী ২০১০ আর ও পিগী ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হান্নগী মিনিষ্টরদা ওজা অমদা লুপা ৪০০০ পীবা ৫০০০ পীবা য়াওনা এসোসিএসন্দা শিন্নদুনা এসোসিএসন্না পীখ্রে অদুগা থবক ওইনদি তৌবিরমদ্রে। মসিগী মরমদসু তুমিন্না লৈশিনবগী ৱাহন্থোক করিনো? ওজা ময়াম নৎত্রবসু হেদ মাষ্টর অমসুং সেক্রেটরিশিং কৌদুনা করি করম তৌসিগে হায়বা খন্নফম থোকই। পৈশা খাইরমদাইদা লাংবা অদুগুম হৌজিকসু লাংফম থোকই।

অরোইবদা এদেদ স্কুল পূম্নমক ইমুং অমগী মীওইগুম্বনি। ঐখোয় অমনা অমবু থওইদবা তৌনবা অচুম্বা ওইরোই। অদুনা ঐখোয় পূনশিনবা চুমগনি। পূনশিন্দ্রবা ঐখোয় শোনগনি, পূনশিল্লবা ঐখোয় কনগনি। অপূনবনা পাঙ্গলনি কাউরোইসি। অদু নৎত্রবদি মমৈদা ফত্তবা ফল লাক্কনি কাউনদব ফৈ।

অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল

লৌমীশিংগী কাখল

ফৌ চরোং শাত্তোকপা ঙমদবা (Sheath Rot)

ডা: এম থোইথোই সিংহ

লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই :

Sarocladium Oryzae

লায়নাসি মণিপুরদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না অমা ওইরে। লায়না অসিনা মাঙহনবগী চাং ৱাংই। ফৌথোক চাদা ৯.৬-২৬ ফাওবা হন্থহল্লি হায়না পানৈ। টাইৱান্দদি চাদা ৮৫ ফাওবা মাঙহনবগী রিপোর্ট তৌই।

লায়ওং :

লায়নাসি পাম্বীগী মতোন ইথং থংবা, ফৌ চরোং য়োমশিল্লিবা মনাগী মকাদা উগনি। ময়ুং শাংতক তৌবা কোইদানবা দাগশিং লৈরম্বদগী মওং মরীল নাইদবা দাগশিং ওইরক্কনি। সেমি ০.৫-১.৫ ফাওবা শাংবা দাগশিংগী মতায়দু কোনা মচু অমদি ময়ায়দা উৎ মানবা মচুগী দাগ লৈগনি। দাগশিং চাউথোরকপগা লোয়ননা দাগ অমগা দাগ অমগা শমজিন্নরক্কনি। থিনগৎপা হৌরক্লিবা ফৌ চরোংশিং মপূং ফানা থিনগৎপা ঙমদনা মনাগী মকা মনুংদা লৈগনি। চরোংগী শরুক মচেৎ অমত্তং থিনগৎলক্কনি। মকা মনুংদা অঙৌবা মফোল কাবদা নত্তনা ফৌ চরোংদুসু পুমশিল্লক্কনি।

লায়না শন্দোকপগী মওং :

১) লায়না থোকহল্লিবা কোকফাইসি ফৌদিদা চেন্নরকই। মনাগী মখুলশিং (ষ্টোমাটা) অমসুং খোগায়-খোৎকায়বা পাম্বীগী শরুকশিংদা কোকফাইসি মখা তানা চঙখিদুনা লায়নাসি শনে দারকই।

২) সেলসিয়স দিগ্রি ৩০-৩১ লৈবা মতমদা কোকফাইসি মনীং তম্না হৌবা ঙম্মী। কোকফাই মরুশিং (Conidia) সেলসিয়স দিগ্রি ২৩-২৬ তা ময়োল থোকই।

৩) কুংনা থাবা পাম্বীশিং অমসুং নুংয়েং তীলনা শোকহল্লবা পাম্বীশিংদা লায়নাসি হেন্না তাই। অশোক অপন থোক্লবা পাম্বী (খুদম ওইনা - উকায় তক্লবা ফৌ পাম্বী) দনা লায়নাসি হেন্না তাবা থেংনরিবসি লায়না শন্দোকপা হৌরবনি।

লায়না ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :

১) লায়নাসি খরা নোয়তক-তেন্তক তৌবা খরা নপ্পা ফৌ মখল (Japonica) শিংদদি লায়নাসি তাগন্দে। লায়না তাগনবা লৌফমশিংদা অসিগুম্বা ফৌ মখলসি থানবা হোৎনগনি।

২) পাম্বীশিং কুংনা হৌবা মফমদা তাগনবা লায়না ওইবনা য়ারিবমখৈ কুংদনবা হোৎনগনি। সেন্টিমিটর ১৫ x ২৫ দগী তাহন্দবা ফৈ।

৩) কৌজেং হারৌনচিংবা তীলশিং ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা নত্তনা ময়োন শাৎপী হায়না খঙনবা নুংয়েং তীলবুসু মপূং ফানা ঙাকথোক্লবা হোৎনগনি।

৪) ফৌরক লম্বী (Crop alley) থম্বনা লায়নাসি তাবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা অতৈ লায়না অসিনা কয়া ঙাকথোক্লবা হীদাক কাপ্পদা খুদোং চাহল্লি।

৫) লায়না তারবা লৌফমশিংদা Propiconazole 25% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাকসি মিলিলিটর ১০০ চঙগনি।

Carbendazim 50% wp গ্রাম অনী ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগসু লায়না অসিগীদমক শীজিন্নবা য়াই নৎত্রগা Propineb 70% ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

মহৌশাগী খুদোংথিবা থোকপা মতমদা ফৌদিগী অৱাবা

এস সুমঙ্গোল সিংহ

মালেমগী ওইনসু মণিপুরগী ওইনসু অঙৈং অশা-নোংজু নুংশাদা অওনবা চাউনা লাক্লে হায়বসি মীৎমাংদা উদুনা লৈরবনি হায়বা য়ারে। মসিগী অওনবা অসিনা কুমসি মণিপুরদা নোং মতম চানা চুবা হৌরবসু নোংমা চুপ্পা নোং চুবদা মণিপুরগী তুরেল অয়াম্বদা লৌনম্বাল কায়দুনা ঈচাউগী চৈথেং ফংলিবসিনি। চৈথেংশিংদুগী মরক্তা মণিপুরগী লৌফম কয়াদা হুল্লুবা লৌহোন কয়া, পাম্ফেল কয়া ঈশিং থুমজিনখিদুনা মাঙ তাকখ্রে। হৌজিক হৌজিকসু লৌফম কয়া অমা ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈবা থেংনরি। লৌফমশিং অসিদা ঈশিংনা ময়েং তারকপা মতমদদি ওগষ্ট থা য়ৌরনি। করম্বা ফৌ থারবদি শোয়দনা মায় পাক্লা লোক্কনি হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লনি। মতমদুদা কনা কনাগুম্বনা ফৌ মখল খরবু মতম তেল্লি হায়দুনা থাবা য়াখিগনি হায়না খনবসু য়াওদবা নত্তে। ফৌ হায়বসি মহৌশানা অইংবা মতম য়ৌরকপদা শাৎতুনা মরু চঙবা ঙমদবা মহৌশানি। খুদম ওইনা মতম তেল্লি হায়দুনা হায়ব্রিদ ফৌ পি এ সী-৮০৭ নৎত্রগা আই আর ৬৪ হায়রিবা ফৌ মখল অনী অসি ওগষ্টকী তাং ১০ য়ৌখ্রবদি নৌনা মরু হুনবা মতমদা শাৎপা ঙমদনা তোকখিবা মমাঙ চহী কয়াদা থেংনখ্রে। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়াগা লোয়ননা কন্না হোৎনবদগী অনৌবা, মতম তেনবা খরা ইংশিল্লক্লবা মতমদা নিংথিনা শাৎতুনা মরু চঙবা ঙম্বা ফৌ মখল খরমখৈদি পুথোরক্লে। এগ্রিকলচরেল সাইন্স কয়াগী হোৎনজমন্নি।

অসুম্না হৌজিক মণিপুরগী ফৌ মখল অহুমদি ওগষ্টকী তাং ১০/১৫/২০ দা মরু হুন্দুনা চাংয়েং তৌবদা হন্না হন্না মায় পাকপা থেংনখ্রবা ফৌশিং অদুদি আই সী এ আর মণিপুর সেন্তর লম্ফেল পাৎনা পুথোকপা (১) হান্না আর সী এম-

থৌবাল ৱাংমতাবা

১৩ হায়নরম্বা হৌজিক্লা আর সী মনিফৌ-১২ হায়না খঙনরবা ফৌ মতুম তারপ পৌবা চাক নিংথিনা হাউরবা ফৌ মখলসিমা (২) সী এ য়ু ইরোইশেম্বনা পুথোকপা মঙাল, দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরনা পুথোকপা পারি অহুম অসি পনবা য়াই।

লাইবক থীবদি হায়রিবা ফৌ মখলশিং অসিগী ফৌদি মরাং কায়না ফংবা ফংদবা অসিনি। কে ভি কে থৌবালনা অঙনফৌ ওইনা লৌমী ইচিন ইনাও খরগী মফমদা হন্দক চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা মথক্তা থমজখিবা আর সীমনিফৌ-১২ অসি ফৌদি পুথোক্লবা চেকশিন্না হোৎনহন্দুনা থাহনখি। খরা অমনা ফৌ লোকপা য়ারবা মতমদা ঈশিং থুমদুনা মাঙখি। খরা অমদি নিংথিনা লোক্তুনা হুল্লুবা ফৌ ঈচাউনা হাৎখ্রবা ইচিন ইনাও কয়া অমগী ফৌদি ওইনবা য়োন্দুনা মশাগী শেন্দোংগা লোয়ননা মীয়ামদা থৌগল তৌজবা ফংলি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি হন্দক চহীগী ঈচাউ অসুম্না থংনবা চহীশিংদসু ঈচাউ নৎত্রগা ঈকং থোক্লোই হায়বা ঙমদে। অসিগুম্বা মতাংদা লৈঙাক্কী থৌদাং য়াম্নমক চাউই হায়জনীংই। মসিগীদমক ষ্টেট কন্টিঞ্জেন্সি প্লান শেম্নরিবনি। লৈঙাক্কী লৌউ লোইশংনা হায়রিবা ফৌ মখলশিং অসিগী ফৌদি পুথোকহন্দুনা লৈশিল্লগা থম্লবদি অঙনফৌ অথেংফৌ অনীমক্কী লৌউ-শিংউগী লৈরিবা স্কিম কয়াদা ফৌদি পুথোক্লিবা ইচিন ইনাওশিংগা লোয়ননা স্কিমদুগী কান্নবা ফংগদৌরিবা কয়াগী মফমদা নিংথিনা কান্নবা পীবা ঙমগনি খল্লি। হায়রিবা ফৌ মখলশিং অসি ঙসিদি অঙনফৌ থানবা মফম ৱাবগাই, এলাং খাংপোকপী, লাংমৈদোং, কোমনাও, ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পনিনচিংবা মফম কয়াদা মায় পাক্লা থাবা থেংনরে। কনাগুম্বনা ফৌদি পাল্লবসু হায়রিবা মফমশিং অসিদা ফংবগী ওইথোকপা লৈগনি খল্লি। মরু পুথোকপগী কাঙলোন চুম্নমক থাহৌদ্রবসু য়াম্না লিদ্রিবা ফৌ ওইবনা ফৌমাং য়াওবগী চাং য়াম্না নেম্বা থেংনৈ।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা হন্দক চহীগী অঙনফৌ ওইনা হৌজিক হৌজিক লোকপদা ঙাইরিবা আর সী মনিফৌ-১২ ফৌশিং চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা মতোন নিংথিনা থোকপা ঙল্লে হায়বসিসু খঙলে। মতোন থোক্তুনা হৌরবদি নৌনা লোকপা ফৌ ওইরবসু ফৌ মপূং ফানা পানবা ঙমগনি হায়বসিসু খঙজিনবিনা কান্নগনি। তঙাইফদনা অতৈ হায়রিবা ফৌ মখলশিং অসি ফংদ্রবসু অশেংবা মোইরাংফৌ ফংলবদি ওগষ্ট ১৫ ফাওবদা পাম্ফেল হুনবদা মায় শোয়দনা পাক্কনি হায়বা ৱাফম অসিসু থমজরি।

চাগোক ফবী ষণবী পুথোকপা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

চাংচত্তা মপুং ফারবা ষণবী অমনা চহী অমদা মচা অমুরক পোকই হায়না পাবা য়াই। হায়রিবা মতমসিদগী হেন্না চোন্থখ্রগদি ষণবুদা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইরি। চাগোক ফবী ষণবী অমা ওইহন্নবা ষণবুগী থৌদাং য়াম্না চাউনা লৈ। শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা হেন্না চাগোক লৈনবা মতম চানা হীট লাকপদা খঙদোকপীহৌবা, অফবা মখলগী ধরানা মচা লৌবিবা, হাতমশিংবু নীংথিনা য়োকপী শেন্নবীবা, অহল ওইরবা ষণবীশিং হাতম্না মতম চানা মহুৎ শীন্দোকপিবা, গর্ভ পুরিঙৈ মতম অমদি চাবোকপা মতমদা অকায়বা কয়া লাক্তনবা নীংথিনা শেন্নবীবা, গর্ভ পুবগী মতম খঙদোকপীবা, গর্ভ পুবগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা অসিনচিংবসি তৌবীগনি। মসিগী মথক্তা ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীগী মরমদা তৌরিবা খুদিংমক চেজনবীগনি।

ষণবুনা চেজনবীরগদি মমাঙদা মচা লৌবদা থেংনখিবা অশোয়বা কয়া অমা খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা মথং মচা লৌদ্রিঙৈদা লায়ওং উৎখ্রিবদুগী মতুং ইন্না লায়েংবীহৌরগদি তেক্তা কায়দনা হেন্না চাবোক ফবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা মাঙজৌননা হিট লাকপগী মতম খঙদোকপা ঙমহল্লি অমদি অশোয়বা কয়া অমা ঙন্না খঙদোক্তুনা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি।

হীট লাকপগী মতম খঙদেকপা ঃ

অয়াম্বনা চাদা ৯০-৯৫ গী ষণবীদি মতম চানা হীট লাকই। হীট লাকপা মতম চানা খঙদোকপা ঙল্লগদি মতম চানা মচা লৌবা ঙমই। নীংথম থাগী মতমদা অয়ূক পুং ৬-৭ ফাওবগী মনুংদা য়েংবীগনি। নুমিদাংৱাইরমদনা পুং ৪.৩০-৫.৩০ গী মনুংদা য়েংবীগনি। কালেনগী মতমদনা অয়ূক্কী ওইনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবা অদুগা নুমিদাংৱাইরমগীনা পুং ৫.৩০-৬.৩০ ফাওবগী মনুংদা য়েংবীগনি। হীট লাকপগী মতমসি পুং ১৬-২৪ ফাওবা ওইগল্লি। হীট লাকপা লোয়বগা মতুং পুং ১০-১৪ গী মনুংদা ওভরীদগী মরূ থোরকই। হায়রিবা মতমসিদা মচা লৌবা য়াই। হীট লাকপগী মওং মতৌসি অঙনবদদি কয়া উবা ফংদে। অদুবু মওং মতৌ খরা হায়রগদি অতোপ্পা ষণগা লৈমিন্নরগদি অতোপ্পা মনাক নকপা ষণদা মনম নম্বা, চোংখৎপা, খোংবা, চানীং থক্লিংদবা, মপাম্থোংগী শরুক্তা ঙাংশিল্লকপা অমদি পোমতক তৌরকপা, মচুম তারকপা, পুং ৬-৮ লৈরবা মতুংদা অমুক ষণবীদু হীট লাকপগী মওং মতৌ শেংনা উবা ফংগনি। মসিদগী ষণবীদু লেংদনা লেপ্পলগা লৈবা উগনি। মসি পুং ১৪-১৬ ফাওবা লৈগনি। হায়রিবা মতমসিদদি খোংবা, চানীং থক্লিংদবা মপাম্থোংদগী

মচুম তারকপা, শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপা অসিনচিংবা উগনি। করিগুম্বা মতমদা চাবোক থোঙদগী ঈ য়াওবা মচুম তারকপসু থেংনগনি। নুমিৎ ২-৩ গী মমাঙদা হীট লাকখ্রে হায়না লৌবীগনি। মরম অসিনা ষণবুনা নুমিৎ ১৯-২১ গী মনুংদা হীট অমুক লাকপ্রা হায়না চেকশিন্না শেন্নবীগনি।

মচা লৌবগী মতম ঃ

মচা লৌবগী মতমদসু ঙন্না মচা লৌবা নৎত্রগা থেঙনা লৌবসিনা মচা ওইবা ঙমহন্দে। মচা লৌবগী মতম অমদি অফবা মখলগী মরূ (সিমেন) না তেক্তা কায়দনা মচা ওইবা ঙমহল্লি। মচা লৌবা য়াবগী মতমসি হীট লাকপা লোইরমদাই পুং ৮ ৱাৎলিঙৈদগী মচা লৌবা য়াই। চৎনবী অমা ওইনা অরাইবা মওংদা ষণবী অমনা অয়ূক অঙনবদা হীট লাকপগী মওং মতৌ উৎলক্লগদি নুমিদাংৱাইরমদা মচা লৌবা য়াই। অসুম্না নুমিদাংৱাইরমদা হীট লাকপগী লাইওং উৎলক্লগদি মথং নুমীৎকী অয়ূক্তা মচা লৌবা য়ারে। অফবা ফল লাক্লবগীদমক্তা মচা লৌবা মতমদা অনীরক লৌবীহৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা মতমদা মচা কাপ্পদা অশোইবা কয়া য়াওদুনা মচা ওইবা ঙমদবা য়াওদবা নত্তে। মরম অসিনা মচা কাপ্পীরিবা খুদিংমক্লা মফম চানা মতম চানা অমদি নিয়ম চুম্না কাপ্পীগনি।

মতম চানা গর্ভ পুবা খঙদোকপাঃ

মচা লৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ২১ নি লৈরগা হীট লাক্ত্রগদি গর্ভ পুরে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু হেন্না কনফার্ম তৌনবা মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি ডাক্তর অমগা তানবীবা য়ারে।

গর্ভ পুরিঙৈ, মচা পোকপা মতম অমদি লোইরগা ষণবুনা চেকশিনবীগদবশিংঃ

- ষণবীনা গভ পুরবা মতুং পোল্লমদাই থা অহুম ৱাৎলিঙৈ মতমসিদা নীংথিনা পী-পীথক তৌবীগনি। হায়রিবা মতমসিদা ষণবীগী মবুক মনুংদা লৈরিবা মচাসি য়াম্না থুনা চাউখৎলকই। মতমসিদা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১.৫ দগী ২গী চাংদা পীজবিগনি। অদুগা শঙ্গোম হন্থনা থোকপী ষণবীদনা মফোনগী শরুকসি নোংমদা কে জি ১দগী ১.৫গী চাংবা পীজগনি।

- শঙ্গোনদা অতোপ্পা ষণ খরগা পুন্না থমিন্নরবদি গর্ভ পুরবী ষণবীদু মচা পোক্তদবা নুমীৎ ১৫নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মফম অমদা তোঙান্না থম্বীগনি।

- মচা পোকপা মতমদা করিগুম্বা অশোই অঙাম য়াওরগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্টর অমগা তানবীগনি।

- নাওফম থুনা তারক্লবা মচা পোকপা হেক লোইবগা ষণবীদু লুম্থু লুম্থু শাবা ধনা পীজবিগনি অমদি ষণনাওদু মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। নাওফমসি মচা পোকখ্রবা মতুং পুং ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা তাগল্লি। হায়রিবা মতমসিদা করিগুম্বা নাওফম তারক্ত্রগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডোক্টরগা তানবীগনি।

- নাওফম তারক্তবগী লাইওংসি ঙন্না লায়েংবিহৌদ্রবদি ষণবীদুনা মথঙগী মচা পোল্লবা মতুংদা হীট লাকপগী মতম থেঙথহল্লি। মসিনা মচা লৌবগী মতমসু থেঙথহল্লি অমদি করিগুম্বা মতমদা লাইবক থীদুনা মচা ওইনবগীদমক হন্না-হন্না মচা লৌবসু য়াওদবা নত্তে। হায়রবশিংসিগীদগী ঙাকথোক্লবা ভিটামিন-এ, দি, ঈ অমদি মিনরেল গর্ভ পুরিঙৈ মতমদা পীজহৌবা য়াম্না দরকার ওই।

- মচা পোকখ্রবা মতুংদা করিগুম্বা ষণবীসি ঙন্না হীট লাকপসু য়াওই। অদুবু মচা পোকখ্রবা মতুং নুমীৎ ৪৫নিদি মচা লৌবীদবনা হেন্না ফৈ। মরমদি ষণবীগী মচাখাওদু মতমসিদা নোর্মেল হায়বদি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবনি।

- গর্ভ পুরবা মতুং পোল্লমদাইগী নুমীৎ ৬০-৮০ ফাওবদি শঙ্গোম শুন্বীরোইদবনি। মসিগী মতমসিদা ষণবীগী অরুম্বসি হান্নদগী কেজি ২০মুক হেনগৎলকই। অমদি মসিগী মতমসিদা শঙ্গোম পুথোক্লবগীদমক ম্যামরী টিস্যুশিংসি অমুক হন্না নৌনা শেমগৎলক্তুনা মথঙগী চাবোক্তা হেন্না শঙ্গোম থোকহল্লি।

অফবা মখলগী মচিঞ্জাকশিং মতম চানা পীজ-পীথক তৌবিদুনা লূ-নান্না শেন্নবীদুনা অমদি অফবা মখলগী মরূনা মচা লৌবীহৌরগদি হেন্না চাগোক ফবী ষণবী অমা ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম হেন্না পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবদু ঙমহল্লি।